# এস দি ও পল্লেলনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দদা চথদুনা লাক্লিবা ২০লক শুবা কে কে মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৪গী ওইনা এস দি ও পল্লেলনা পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ১১ ফংদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ফুটবোল লীগ অসিগী ওইনা ঙসি এস এফ সী সুগুনু অমসুং এস দি ও পল্লেলগী মরক্তা অরোইবা মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু কনে ট্রাল তৌদুনা লাকচনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেটচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইম শান্নখিবদসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখিবনি।

অমরোমদা, ফুটবোল লীগ অসিগী ওইনা ঙসি অরোইবা মেটচ শান্নখিবা এস দি ও পল্লেলনা মেটচ ৫ শান্নখিবগী মনুংদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ১১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙমখিবদগী ফুটবোল লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা এস এফ সী সুগুনুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

# থোকচোম ইবোমচা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১১(ঐচ এন এস):** ব্লুমিং এথলেটিক্স এন্দ স্পোর্টস য়ুনিয়ন (বাসু), খাঙবোক্কী মতম শাংনা মেম্বর ওইরম্বগা লোয়নন্না ভাইস প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরম্লবা অমদি য়ুনিয়ন অসিগী এদভাইজর বোর্দকী চ্যেরমেন ওইনসু থৌ পুবীরম্বা থোকচোক ইবোমচানা মমাং থাগী ২৯দা লৈখিদবা অদুবু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বাসুগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মধুসুদোননা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা ইবোমচা কিম এদ্যুকেসনেল সোসাইটি খাঙবোক্কী ফাউন্দরসু ওইরম্মী। মহাক শকখঙদবা মীওই খরনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং মমাং থাগী ২৯দা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি। মহাক্না ঐখোয় খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্তুনা চৎখিবদা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্ন বা উৎপা ওইনা মিনট ২ তুমিন্না লেপখি। মহাক লৈখিদবা অসি স্পোর্টস য়ুনিয়ন অসিগী ওইনদি য়াম্না চাওনা মাঙজবনি। মহাক্না মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শান্নরোয় অমসুং ফেনশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবা থোকখ্রে

**নোর্থ কেরোলিনা, জুলাই ১১(এজেন্সী):** কোপা অমেরিকাগী ওইনা উরুগুৱে অমসুং কলম্বীয়াগী মরক্তা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপদা উরুগুৱেগী শান্নরোয়শিং অমসুং কলম্বীয়ন ফেনশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনরকপদগী খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে।

কলম্বীয়াবু শৌগৎপা মীওইশিংনা উরুগুৱেগী শান্নরোয়শিংদা মখোয়না থক্লম্বা হৈ মহীশিং লংশিল্লকপদগী উরুগুৱেগী শান্নরোয়শিংনা ষ্টেদিয়ম মথক্তা কাখৎতুনা কলম্বীয়াগী ফেনশিংগা খূৎ থোক্লখিবনি। থৌদোক অদুবু উরুগুৱেগী কেপ্টেননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

JCRE Skill Solutions
empowering our youth
Admission Open
DIPLOMA IN COMPUTER APPLICATION





Eligibility: 12th Pass & Above
Duration: 6 Months
KEY FEATURES
- Computer Fundamentals
- MS-Office
- LibreOffice
- Basic of HTML
- Internet & Digital Financial Service

TENTATIVE BATCH START DATE: MID WEEK OF JULY
TRAINING CENTRE
JCRE Skill Solutions
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal West, Manipur - 795001.
For More Info 8798307379
HL-B/8798/12

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)
# 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
# 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
# 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
# 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
# Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
# 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
# State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।
EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজে।
Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086
HL-B/8801/27/5-24/7(alt)

What's Next After XII??
CAREER COUNSELLING
INFORMATION & ADMISSION CENTRE FOR ALL COURSES
CAREER COUNSELLING
RIGHT PEOPLE TO THE RIGHT PLACE
Bachelor of Fisheries Science (B.F.Sc.)



100 % Prospective Course
Only 5 seats
Job Prospective Courses
1. B.Tech. CSE (AI, AIDS, AIML, FSWD, DS)
2. B.Com (H) ACCA full, BBA
3. Male Nurse
4. Psychology (H) - Clinical/Gen./Sports/HR
5. Bachelor of Design - Fashion/Product/ Interior/Animation/Visual Communication
6. D.Pharm, B.Pharm & Pharm. D (Doctor of pharmacy)
7. B.Tech (H) -Bio-Tech, Bio-Chemical, Food Tech, Bio Mediccal, Agriculture Tech.
M.B.B.S. (India and Abroad)
All Course Information Centre

| | |
|---|---|
| BDS | 5.75 Lakhs without Hostel /10 Lakhs with Hostel (Full Course) |
| BAMS | 13.5 Lakhs without Hostel (Full Course) |
| BNYS (wihout NEET) | Fees 4 lakhs (Full Course) - A Medical Degree Course |

100% JOB PLACEMENTS & INTERNSHIP
B.Voc Course-1,2 - years
- Automobile Servicing Technology
- B.Voc in Electronics servicing
Pharm. D (Doctor of pharmacy)
*EDUCATIONAL LOAN!! 100% FINANCIAL SUPPORT!
THE R-SQUARE CAREER CONSULTING
Sagolband Bijoygovinda Mamang Leikai, Near SYDA Club
CONTACT: +91 8974682420
B. Tech (All Stream), Agriculture, Horticulture, Vet. & B. Arch.
HL-P/10928/6/7-17/7

মিনিষ্ট্রী ওফ এগ্রীকলচর এন্ড ফার্মরস ৱেলফেয়র
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

"অঈং-অশাগী খুদোংথিবদগী ঐখোয়গী থবক নোম্বা কল্লবা লৌমী ইচিন-ইনাউ অমসুং ইচল-ইচেশিংগী স্বার্থবু ঙাক্তুনা থম্বদা প্রধান মন্ত্রী ফসল বিমা যোজনা অসি য়ান্নমক কান্নরবা ওইনা থোক্লী। লৌমী ক্রোর কয়ানা মসিগী কান্নবশিং ফংলী।"
–নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী





মহৈ-মরোংগী ইন্সুরেন্স য়াউবীয়ু
সিক্যুরিটীগী চুঙ্গোয় অমা ফংবীয়ু
হৌখিবা চহি 8 দা ফংখিবা মরুওইবা পান্দমশিং
লৌমী ক্রোর 62 হেনবদগী এপ্লিকেসনশিং ফংখি
লৌমী ক্রোর 19.67 হেনবগী এপ্লীকেসনশিংদা মহৈ-মরোংগী কম্পেন্সেসন য়েন্থোকখ্রে
লুপা ক্রোর লাখ 1.60 হেনবগী ইন্সুরেন্স ক্লেম সেটলমেন্ট তৌখ্রে
নেসনরাইদ হেল্পলাইন 14447
রেজিষ্ট্রেসনগী অরোইবা তাং: জুলাই 31, 2024
nafed नाफेड का भरोसा
e-samridhi
অদোমগী মহৈ-মরোংবু এন.এ.এফ.ই.দিদা হকথেংননা য়োন্নবগী রেজিষ্টর তৌনবগীদমক্তা ক্যু.আর কোদ স্কেন তৌবীয়ু
এজেন্ট নত্রগা সি.এস.ই অমহেক্তদা ইন্সুরেন্স প্রীমিয়মখক নত্তুনা অতৈ অহেনবা শেনফম অমত্তা পীবিগনু।
কনাগুম্বনা অহেনবা শেনফম পীনবা হায়রক্লবদি 14447 দা পাউ পীবিয়ু।
প্রধান মন্ত্রী ফসল বীমা যোজনা
ইন্সুরেন্স পার্টনর AIC Chola MS Future Generali HDFC ERGO ICICI Lombard Kshema Oriental Insurance Reliance General Insurance SBI general Universal Sompo General Insurance
অদোমগী মহৈ-মরোং ইন্সুর তৌনবগীদমক্তা ঙসিমক ঐখোয়দা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।
পব্লিক সর্ভিস সেন্টর | ক্রোপ ইন্সুরেন্স এপ https://play.google.com | পোষ্ট ওফিস | বেঙ্ক ব্রাঞ্চ | @PMFBY
স্কীমগী মতাংদা অহেনবা মরোলগীদমক্তা ক্যু.আর কোদ স্কেন তৌবীয়ু।
HL-B/8917/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com